থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

## লম্বীদা করম চৎকনি, তাকপীরিবা ঐখোয়’ য়ুম্লোন্নবা

ঐখোয়’ লৈকায়দা তল-চা-বোরা য়োনবা হোতেল ফম্বা ঈয়াম্বা অমা লৈ। মহাক মতম অমদা ত্রক দ্রাইভর ওইরম্মি। মহাক ত্রক থৌবা তোকখিবগী নুংঙাইবা ৱারী অমা লৈ। ঐখোয়দা নুংঙাইবা ৱারি ওইরবসু মহাক্কীদি অৱাবা ৱারী অমনি। ঈমুং-মনুঙ থাকলম্বা সিনফম অমা তোকখিবগী ৱারীনি। মীঙোন্দা য়া-য়া লীথোকপসু ফত্তবনি। ৱারীসি ঐসু ঙসিফাও কনামত্তদা লীথোকখিদে, মানদি মতম চাবদা ঐঙোন্দা লীরকখিবা অসিগুম মী খরদা লীথোক্লমগনি। ঙসিদি মাগী ৱারীসি, ঐগী থম্মোয় পাউদমসিগী শরুক অমা ওইনা, ৱাখল খন্থনখিদ্রবা লমদমসিগী মীয়াম অমদি লো এনফোর্সমেন্ত এজেনসিংদা কন্না তমনিংবা ফাওরক্তুনা পাউদমসিগী ৱাহৌ ওইনা লীজরিবনি। খঙদে কোন্না শাউনীংলক্কদ্রা?





নাগালেন্দগী কোনুং ‘কোহিমা’ মনিপুরদগী দিমাপুর/গৌহাতি তম্না চৎপা গারী খুদিংমক্না ফাওদুনা চত্তবা য়াদ্রবা সহর অমনি। নুমিদাংৱাইরমগী মতমদা, মী কন্না চিনখৎনরকপা মতমদা থুংনবনা, পংচাউ চাউদবা সহরদু ফাওদুনা চৎপদা য়ামদ্রবদা পুঙ অমরোমদি শোয়দনা চঙই। মরমদি, পীক্লবা লম্বী অদুদা গারী অমনা অমদগী হেনগত্তুনা থৌবা য়াদে, হেনগৎনবা অহাঙবা মফম লৈরবসু। লম্বীদু ফোর-লেন নত্তে, দবল লেন খত্তনি। চিল্লবা মতমদুদা হেনগত্তুনা থৌরুবা হায়বসি, মীগী লেন্দা থৌজিল্লুবা, ওপোজিৎ দিরেক্সনদগী লাকপা গারীদুগী লম্বী থৎলুবা তাবনি। লম্বীদু ঈহাং হাঙনা লৈবদুদা তাদা-শ্যামকিশ্বরদি ৱাখল নুংঙাইনা, কোহিমা সহর মনুং চঙগদবা কিলোমিতর অনিরোম ৱাৎলিঙৈদগী লেংলল্লিবা গারী ময়ামদু হেনগত্তুনা থৌগৎলুরবা জাৎনি। সহর য়ৌশিল্লকপা অদুদদি থৌনবা লম্বী লৈরমদ্রে। মহাক্না মরম ওইদুনা, হাঙলম্বা লম্বী নাকলদুসু ত্রাফিক জাম থোক্তুনা য়েংহৈদ্রবা ফিবম ওইরক্লবদুদা ত্রফিক পুলিস অমা লাক্তুনা মাগী ত্রক অদু মনীং হন্না থৌহন্দুনা লেংলিবা গারী পরেংদুগী খ্বাইদৈ মনীং ইথং থংবা মফমদু তান্না কিলোমিতর অনিমখায়রোম চীং লম্বীদুদা লাকপদু মাগী ‘দ্রাইভিং কেরিয়র’দা খ্বাইদৈ লুবা চাংয়েং পুংফম অমা ওইখি হায়। খোঙচত্তুদৈ হল্লক্লবা মতুংদা মহাক অমুক হন্না গারী-স্তীয়রিং পায়ররোই’ হায়বা ৱাশক শকখিবনি। গারী মমায় চুল্লম্বা খূৎ অদুনা বোরা-পকৌরা হৌখিবনি।

অতোপ্পা পাউ অমনা মিজোরামগী লম্বীদা চৎলিবা মীওইশিং, স্কুতর-কার-ত্রক থৌরিবা মীওইশিংগী মরমদনি। ঙসি নিনি-হুমনিগী মমাঙদা ঐগী মোবাইল অসিদা মিজোরামগী চীং-লম্বী অমদা ত্রফিক জাম থোকপগী ফোতো অমখক উখি, কনানা থাগৎলকপনো খঙদে, দাউনলোদ তৌগে হোৎনরিঙৈ মুৎথোকখ্রে। হ্বাতসএপতদি নৎখিদে। অমুক হনজিন হনজিন ওৎপবু ফংবা কৌবা লৈখিদ্রে। ফোতোদু মীয়ামদা সেয়র তৌগে নীংখিবনি। ফোতোদুগী মরমদা ইবা ৱাহৈ খরদুদি নীংসিংলি....‘উরিবা শত্তম অসি চাওখৎলবা লম-য়ুরোপ/অমেরিকাগুম্বা মফম অমত্তগী ফোতো নত্তে, ঐখোয়গী ঈরমদম অসিদা লৈবা চীংলৈবাক মিজোরাম হায়বা স্তেৎতুগী লম্বীগী শত্তম অমনি’...। লম্বী অদুগী ময়ায়দা অঙৌবা মচুগী অপাকপা লৈই অমা তংখায় খায়দোকই। লম্বীগী ওইথংবা শরুক্তু স্কুতর-কার-লোরি ময়াম্না কৃক-কৃক ঈন্নদুনা মাঙলোমদা মীৎয়েং পোইরৈ ফাওবা থৌবা য়াদনা পরেং লেংলি। য়েৎথংবা শরুক মায়োক্লবা মায়কৈদগী লাক্কদবা শরুক্তুনা পূমহাঙ! তুমিৎ ফাওবা পাইদে হায়বদুমক্কি, খোঙনা চৎপা মী-পোং-শাদই হৌরগা ইঞ্জিন পানবা গারী অমত্তসু লাক্তে। অদুবু, অদুক য়াম্বা মীয়ামদু ময়ায়গী অঙৌবা লৈইদুদগী কনানসু খুফে অমতা হেনজিন্দে। পাউ ওইনদি গুগলদা থেংনৈ-ফেসবুক্কী খুত্থাঙদা ফোতো অদু ভাইরেল ওইদুনা দিল্লি-মুম্বাই-বেঙ্গলুরুরোমদসু পুমচাই চাইখ্রে। শত্তমদো ঐদি মনিপুরগী, লম্বী চৎপা হৈতবা মীয়ামসিদা অমুক্তং য়েংহন্নীংখিবনি, ঐগী ত্রাফিক-লেন করম্বনো খঙদবা, অহাঙবা মফম উবা য়াদবা, পংথৌদা থৌজিন্নবা মীয়ামসিদা উহন্নীংখি - ঐখোয়’ য়ুমলোন্নবনা অসুক ৱাখল তারগা, মীবু সীংথানবা, মশানা মথোয়রে খঞ্জবা ঐখোয়সিনা অসুক ৱাখল য়াওদ্রিবসি করিগীনো? লম্বী চৎপা হৈতবা কাঙবুসিদবু ত্রাফিক-সিগ্নেল-লাইতিং-সিস্তেম হৌদোক্তুনা মফম খরদদি হেন্না অৱাবা ওইহল্লে। অঙাঙবা মৈ থাল্লিঙৈদসু খিত্তং হাঙবা উরবা, হোত্তুনা থৌজিন্নরিবা-পুলিসশিংসু য়েংদুনা লৈ। করিগুম্বা মখোয়নসু মখুৎ খত্তুনা চৎহল্লি। রেত-লাইত থাল্লি হায়দুনা লেপনবা, পুলিসনা খুৎ খত্তুনা চৎহনবদু উহৌদবগী নোংমা ঐগা ক্বাকৈথেল-ত্রফিক-ক্রোসিংদা পুলিসকা লাউনখিবদু নীংশিংলি। নোংমসু, থামুক্কী মমাঙদা, মফমদুমক্তদা গ্রীন লাইত-সিগ্নেল তরুল্লক লাকখ্রবসু লমখায় (ক্রোসিং) ময়ায়দুদা ঐগী কারদু মচী লেঙবা ঙমদনা লেপখিবদু, ঐত নত্তে, ত্রাফিক পুলিসতুসু কাউরমখিরোই। ত্রফিক সিগ্নেল লাইতিং হৌদোক্লিবসি ত্রফিক পুলিস পর্সোনেলশিং লময়ায়দা জগোয় শাবা লেপহন্নবনি। অদুবু, লমদমসিদদি, তায়োন্নবদুনি থোক্লিবা। হৌজিক্তি ‘সিগ্নেল-ফ্রী-ত্রাফিক-সিস্তেম’ চৎনরক্লবা লমদমনি। অদুবু মনিপুর কৌবা লমসিদদি, মদু ওইথোক্লরোইদবা অমনি হায়রবসু য়াবনি।

থাজবীয়ু-মিজোরামদা ত্রফিক পুলিস অমত্ত মথৌ তৌবা উরকলোই। লম্বী চৎপা অমত্তদা ত্রফিক নিয়ম থুগায়বগী ফাইন লৌবা থেংনরোই। মদুগী ওন্ন-তৈনবদা, লম্বী চৎপা মীশিংনা ত্রফিক পুলিসতা তাকপীরি-লম্বীদা করম চৎকনি, ত্রফিক হায়বসি করিনো?

লৌশিং পুক্কে

## ‘অহোবা ময়া মেনখ্রবা মীওইশিংগী হকচাংদা মর্ক্যুরিগী চাং ৱাংখৎলক্তুনা খুদোংথীবা কয়ামরুম থোকহল্লকপা য়াই’

চাবা থকপগী মওং মতৌ হোংলকপগা লোয়ননা য়ারী-য়াখোঙ নাবা, য়া হোবা অমসুং তীন চাবগী থৌওং তোয়না থেংনরি। দেন্টেল এমালগম হায়না খঙনবা য়া অহোবা মেনবদা শীজিন্নরিবসি মর্ক্যুরি, সিলভর, টিন অমসুং অতৈ মেটেল খরনি। মরম অদুনা অহোবা ময়া মেল্লুবা মীওইশিংগী হকচাংদা মর্ক্যুরিগী চাং ৱাংখৎলকপা য়াই হায়বা ষ্টদি অমগী খঙবা ঙল্লে।



লায়র-ইনাকখুনবা খায়দনা মীপুম খুদিংমক্না তৌবা ঙম্বা থবক ওইবনা দেন্টেল এমালগমগী থৌওং অসি চহী ১৫০ রোমগী মমাঙদগী চৎনদুনা লাক্লি। অদুবু য়া মেনবদা শীজিন্নরিবা পোৎলমদা মর্ক্যুরিগী চাং ৱাংনা য়াওবা মরম্না ব্রেন, হার্ট, লংস, কিদনি অমসুং সিষ্টেম শোকহল্লকপা য়াই হায়না রিছার্চরশিংনা ফোঙদোকখি।

য়ুনিভর্সিটি ওফ জোর্জিয়াগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার জিয়াওঝোং জোন য়ু অমদি মহাক্কী কাঙবুনা চথখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, অহোবা ময়া মেনখ্রবা মীওইশিংগী হকচাংদা মর্ক্যুরিগী চাং ৱাংখৎলক্তুনা খুদোংথীবা কয়ামরুম থোকহল্লকপা য়াই। কনাগুম্বা অমগী মপুন্সিদা অমুক্তং য়া অহোবা মেনবগী থৌরাং লৌখৎপদা থোইদোক্না অকায়বা লৈতে। অদুবু নিপাল্লক নৎত্রগা মসিদগী হেন্না য়া মেনখিবা তারবদি হকচাংদা খুদোংথীবা কয়ামরুম থোকহল্লকপা য়াই। নিপাল্লক ময়া মেনখ্রবা মীওইশিংগী ঈদা য়াওবা মর্ক্যুরিগী চাং চাদা ১৫০ রোম হেনগৎলকই। কনাগুম্বা মীওই খরদদি মিথাইল মর্ক্যুরি হায়না খঙনবা খ্বাইদগী হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা মর্ক্যুরি মখল অমগী চাং ৱাংখৎলকপা থেংনৈ হায়রি। মিথাইল মর্ক্যুরিদি শুপ্নগী চাং খরখক্না হকচাংদা কা-হেন্না খুদোংথীবা থোকহল্লকপা য়াই।

অমরোমদা, কনাগুম্বা য়াগী ডোক্তর খরনা মর্ক্যুরিগী মহুত্তা বাইসফেনোল এ নৎত্রগা বি পি এ য়াওবা পোৎলম শীজিন্নরগা য়া মেনবগী থৌরাং লৌখৎনরক্লে। অদুবু থৌওং অদুনা রিপ্রদক্তিভ ওর্গানদা অমাঙ অতা থোকহনবা থেংনখি। রিছার্চরশিংনা তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈবা মীওই ১৫,০০০ দা চথখিবা ষ্টদি অমদা ৱাফম অসি খঙবা ঙমখিবনি। ষ্টদিগী রিপোর্ট অদু ‘ইকোটোক্সিকোলোজি এন্দ ইনভাইরনমেন্টেল সেফ্টি’ জর্নেলগী ওনলাইন ইদিসনদা হন্দক্তা ফোঙলকখিবনি।

মহৌশানা অকোয়বগী ঈশিং, নুংশিৎ অমসু লৈহাওদা য়াওজরকপা মর্ক্যুরিনা হকচাং মনুংদা চঙখ্রগা কা-হেন্না খুদোংথীবা থোকহল্লকপা য়াই হায়বা ৱাফম অসি মমাঙদা খঙনরমদে। মীওইবা খুন্নাইনা চাউখৎলকপগী মতুংইন্না মথং মথং থিজিনবদা মর্ক্যুরিনা নরভস সিষ্টেম, দাইজেষ্টিভ সিষ্টেম, ইম্যুন সিষ্টেম, লংস, কিদনি, উনশা অমসুং মীৎতা শোকহনবা য়াই হায়বা খঙলকপনি। ৱর্ল্ড হেল্‌ঠ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) না মীওইবগী হকশেলদা খ্বাইদগী চাউনা খুদোংথীবা থোকহল্লকপা য়াই হায়না লাউথোকখ্রবা কেমিকেল ১০ গী মনুংদা মর্ক্যুরিসু অমনি।



কুমজা ১৯৩২ অমসুং কুমজা ১৯৬৮ গী মরক্তা জাপানগী মিনামাটাদা মর্ক্যুরিনা মীওইবগী হকশেলদা চাউনা অকায়বা থোকহনবগী থৌদোক অমা থোকখি। মফম অদুদা লৈবা এসিটিক এসিদ শুংবা ফেক্টরি অমদগী চেন্থরকপা ফৎতবা মহীনা মনাক নকপা সমুদ্রদা তীনখিরম্মী। মতমদুদি ফেক্টরিদগী চেন্থরকপা ফৎতবা মহীদা মিথাইল মর্ক্যুরি য়াওই হায়বা খঙলমদে। অদুবু অকোয়বদা লৈরিবা খুঞ্জাশিংনা সমুদ্রগী ঙা ফারগা চারুবা মতমদা লায়ওং খঙদবা অঙকপা লায়না অমনা নারকপা থেংনখি। মতৌ অসুম্না মীওই ৫০,০০০ রোম লায়ওং খঙদবা লায়না অমনা নারকপগা লোয়ননা মীওই ২০০০ রোমদি কা হেন্না ফীভম শোকচিল্লকপা থেংনখি। অকোনবদা থিগৎনরুবা মতমদা মর্ক্যুরি য়াওবা ঙা চারুবদগী লায়না অদু ওইহল্লকপনি হায়বা খঙলম্মী। মতৌ অসুম্না ব্রেনদা অমাঙ-অতা থোকপা, পেরলাইসিস তৌবা, ৱা ঙাঙবা থোকহন্দবনচিংবা মখল কয়াগী লায়না অদুবু ‘মিনামাটা দিজিজ’ হায়না খঙনখি।

মীওইবনা তোঙান তোঙানবা মরম কয়াগী কোয়লা মৈ থারি। পৱার প্লান্ট, ইন্দষ্ট্রিএল বোইলর অমদি ইমুংগী থবক শীজিন্নবদা কোয়লা মৈ থারি। মসিনা মর্ক্যুরি চাং ৱাংনা থাদোরকপগা লোয়ননা মীওইবদা চাউনা খুদোংথিবা মায়োক্লহল্লি। পুন্নমক অসিগী মথক্তা ঐখোয়না অয়াম্বা মতমদা শীজিন্নরিবা ইলেক্ট্রিক ব্লব, বেট্টরি, ইলেক্ট্রিক স্বিটচ, থর্মোমিটর বেরোমিটর, অকে অমৌগী কোস্মেটিক অমসুং ফার্মাস্যুটিকেল প্রদক্টশিংদসু মর্ক্যুরি য়াওই। হেন্না খুদোংথীনিংঙাই ওইরিবদি অহোবা য়া মেন্নবা পোৎলমদা মর্ক্যুরি য়াওবগী মতাংদনি। ৱর্ল্ড হেল্‌ঠ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) গী রিপোর্ট অমনা হায়খি, য়া হোরক্লগা মেনবগী মহুত্তা মাঙজৌননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলগা য়া হোহন্দনবা হোৎনগদবনি। কুচু ঙৌথোকহনবা কোস্মেটিক্কী পোৎলমশিংদা মর্ক্যুরি শীজিন্নবসু থিংগদবনি। কুমজা ২০১৩ দা পাঙথোকখিবা ‘মিনেসোটা কনভেন্সন ওন মর্ক্যুরি’দা তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়ানা মর্ক্যুরি পোৎলম শীজিন্নবা থিংনবগী মতাংদা য়ানবা পুরকখি।

মমি ৱারী

## ইমা কাওনুগী তম্পাক্তা নূংদুম, উরি, ঐ কনানা কনানো

**প্রেমানন্দ নিঙোম্বম**







